## ইম্ফাল ইষ্টনা চুরাচান্দপুর ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ২২শুবা সব-জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা চখরকখিবা ২২শুবা সব-জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চুরাচান্দপুরবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৬- চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, চান্দেল, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরনা গ্রুপ- অনী থোক্তুনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১০গী শান্নবা হৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এন অরজুননা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবনি। মহাক্না শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা ইম্ফাল ইষ্টকী মায় পাকপগী য়াম্না মরুওইবা গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

এনজি গুনিন্দ্রোনা ইম্ফাল ইষ্টকী অনীশুবা গোল শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

চুরাচান্দপুরগী গোল অনী অদু মঙশোনমুঙ সোংপেৎনা শান্নবগী ৪৮ অমসুং ৬৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই অহুম চুরাচান্দপুরগী লাললনথুৱাম সিংসোন অমসুং গেনমুৱানশাং অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী এনজি রোনাল্ডো শান্নবগী ৩২, ৬২ অমসুং ৬৬শুবা মিনটশিংদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখিবনি।

## মরিশুবা গম্ভিনি লৈমা নিংশিং কাং টুর্নামেন্ট
## থাংমৈবন্দ বি কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
থাংমৈবন্দগী লাইজিং নিংথৌ কাংশঙদা জোটিন ৱাইখোম না স্পোন্সর তৌদুনা চখরক্লিবা ৪শুবা ৱাইখোম গম্ভিনি লৈমা নিংশিং কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ-বি কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৯-১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১১না গ্রুপ-৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা থাংমৈবন্দ-বি না পাঞ্জল ১০ লৌবা ঙমখি। অদুগা য়াইস্কুল কাংখুৎনা পাঞ্জল ৮ লৌবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ৯ -৯ লৌনদুনা থাংমৈবন্দ-বিনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২দা মায়থিবা পীখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ-এগী লীগ মেটচ অমদা হৈঙাং কাংখুৎ অমসুং শগোলবন্দ কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## ষ্টেটকী শান্নরোই অনী অমসুং ওফিসিয়েল অমা ইন্দিয়ান করাটি টিমদা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ থাইলেন্দগী হুঅমার্ক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থাইলেন্দ ওপন ইন্টরনেসনেল করাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগী ইনিদয়া টিম সেলেক্সন তৌবদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোই অনী অমদি ওফিসিয়েল অমা খল্লক্লে।



শান্নরোই অনী অদুদি- থোকচোম রোজি চনু অমসুংকাং তেন সুরচন্দ্র লমকাং নি।

রোজি পাৎসোই পার্ট ৪দগী থোকচোম সুনামানি সিংহ অমসুং থোকচোম ওংবী সান্তি দেবীগী মচানুপীনি। মহাক্না সেনিয়র কুমাইটকী কেজি ৫০গী মখাদা শরুক য়াগনি।

অদুগা সুরচন্দ্র চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থল্লা খুরেন ভিলেজ তগী থমফু লমকাং কাংতেন অমসুং রিতা লমকাং কাংতেন অনীগী মচানুপানি। মহাক্না কেদেট কুমাইটকী কেজি ৫৭ মখাগী কাং লুপ্তা শরুক য়াগনি।

অতোপ্পা খনগৎলবা ওফিসিয়েল অদুদি মুতুম বনকিম সিংহ নি। মহাক হৌজিক হৌজিক নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী রেফরি কম্মিসনগী চিয়রমেন ওইনা লৈবতা নত্তনা এসিয়ান করাটি দো ফেদরেসনগী মখাদা ইন্টরনেসনেল জর্জ ওইনা লৈরি।

## পোলোগী পোনি য়োকখৎপদা এমপিপিপিদব্লিুএনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি



ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
মণিপুরবু মশক তাক্লিবা পোলো মশান্নদা শিজিন্নরিবা লমদম অসিগী মহৈরোলদগী লৈরক্লবা পোনিশিংবু কন্নবা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনবদা মণিপুর পোনি এন্দ পোলো প্লেয়র ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়না ঙসি মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পীউ মীশিংগা উনবা অমদা এসোসিয়েসন অসিগী স্পোক পর্সন ধনরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহৌশাদগী লৈরম্লবা পোনিশিংগী মচিঞ্জাক চাফম ওইরম্বা মফমশিং নোংম-নোংমগী সরকারগী ওইবা মখল-মখা কয়াগী থৌরাংনা মরম ওইরগা মুনশিল্লক্লবা অসিদগী কন্নবা এসোসিয়েসন অসিনা মখা তানা হোৎনখিগনি।

মমাংগী লৈঙাক্কী ষ্টেট কেবিনেট না ইং ২০১৬, ওক্টোবর ১৬তা পোনিগীদমক মণিপুর পোনি কনর্জভেসন এন্দ দিভলপমেন্ট পোলিসি শেমখ্রবসু চহি অমগী মতুং মখা তাবা থবক অমত্তা ঙসিফাওবা লৌখৎলত্তবনা পোলিসি অসি কান্নদবা ওইহল্লে।

পোলিসি অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহল্লবদি খুদোং থিনিঙাই ওইরবা পোনিগী অকিবা অৱাবা খরামখে কোকপা য়াই।

অদুবু ঙসি লৈঙাক্না টেবলদা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী ৱাখলদা পুক্লিংদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীদুনা শগোলশিংগীদমক পুকচেন চাওবা শাদুনা লৈরবসু অহিংবা শগোলশিংগীদমক শেনফম লৈত্রবসু থৱাই পান্দবা শগোলীদমক মুর্তি শান্নবগীদমক অচৌবা শেনফম কয়া খাক্তুনা, কায়থোক্তুনা লৈঙাক্না থল্লি।

মদুমক্না মণিপুরগী শগোল শা অসিগী মরাইবক্তী তম্বা ঙমদ্রি। কনবা ঙমগদ্রা? মখোয়গী তুংগীদমক খনবদা অকীবা অৱাবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী কেঐচ বসান্ত অমসুং মেম্বরশিং শরুক য়াখি।




## ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## কেকেজিপি কাইরংনা এনৱাইসি নিলাকুথি ৩-১দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
ৱাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চখরিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী অরোইবা লীগ মেটচতা কেপিজিপি কাইরংনা এনৱাইসি নিলাকুথিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কাইরংগী এমদি ইমদাদনা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা গোল চন্নবা ঙমদবদগী কাইরংনা নিলাকুথিবু ১-০ দা অহানবা হাল্ফ লীগ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা এমদি নৱাসনা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা কাইরংগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না টিম অসিগী মরুওইবা গোল শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা চনদুনা নিলাকুথিবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নিলাকুথিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন জি রহুলনা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কাইরংগী গোল চনখিবা শান্নরোই অনী এমদি নৱাস অমসুং এমদি ইমদাদ শান্নবগী ৩৯ অমসুং ৪৩ শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অদুগা নিলাকুথিগী পিটলরবুসু রেফরিনা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী অরোইবা লীগ মেটচতা ৱাইদিসি অৱাং পোৎশঙবম খুনৌ অমদি লিসবোন লুৱাংশঙবম ১-১ দা দ্রো ওইখি।

লিসবোনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কিষননা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। অদুগা নিলাকুথিগী গোল অদুনা রুপচন্দ্রনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি। অহানবদা এলএসএএফসি অচান্বীগৈ অমসুং সেকমাই এফসি শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা ৱাইদিসি অৱাং পোৎশঙবম খুনৌ অমসুং এমএসএফসি হৈঙাং লম্বা তৌনরগনি।

## ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি -২০ ত্রোফি ২০১৮
## মোদেল ক্লবনা অল-অমিনবু ৱিকেট ৪দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ঃ
লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চখরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি-২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মোদেল ক্লব চিংঙামখানা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৪দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা অল-অমিননা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৯০ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা বেট্টিং তৌখিবা নৱাস সারিপনা বোল ১৬দা রন ১৮ লৌবা ঙমখি। অদুগা মুজিবুরবু বোল ২৮দা রন ১৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বোল্লর ইবোয়াইমানা ৱিকেট ২ অদুগা বিতেশ্বর, বিজেকুমার, সুবম অমসুং আরিয়াননা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখিবনি।

অদুগী পাউখুমদা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বেটচমেনশিংনা ওভর ১৬.৫ তা ৱিকেট ৬তুরগা অপীবা তার্গেট য়ৌদুনা ৱিকেট ৪দা অল-অমিনবু মায়থিবা পীখিবনি।

মোদেল ক্লবকী বেটচমেন তেসকুমারনা বোল ১৭তা রন ২২ লৌবা ঙমখি। অদুগা সুবমনা আউত ওইদবীদা বোল ২২দা রন ২১ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্না মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অল-অমিনগী বোল্লর রসিদনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবদা অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং রি য়ং ষ্টার নাগামাপাল লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা চেম্প খাগেম্পালি অমসুং পিসিসি ময়াই কোইবী অনীনা লম্বা থেংনরগনি।

## পাকিষ্টাননা জিম্বাৱেবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে



বুলাৱায়ো, জুলাই ১৬ঃ
জিম্বাৱেদা পাকিষ্টাননা তুর তৌদুনা
জিম্বাৱেগী কুইন স্পোর্টস ক্লবতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ওদিআইদা পাকিষ্টাননা য়ুম্বু জিম্বাৱেবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা জিম্বাৱেনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা জিম্বাৱেনা ওভর ৪৯.২ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১৯৪ লৌবা ঙমখি।

জিম্বাৱেগী রনশিং অদু ব্রিয়ান চারিনা বোল ১৫দা রন ১, চামু চিভাভা না বোল ১৭ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৭, হমিলতন মসাকাদজা (কেপ্টেন) না বোল ৭৫ দা ফোর ৫ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৫৯, তারিসাই মুসাকান্দ না বোল ৩৪ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৪, পিটর মুরনা বোল ৮৬ দা ফোর ২ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৫০, রিয়ন মুরে (ৱিকেট কিপর) না বোল ২৬ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৬, দোনাল্ড তিরিপানোনা বোল ২০ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৩, লিয়ম নিকোলাস রোচেনা বোল ১ দা রন ০, ৱিল্লিংতননা বোল ১৩ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১২, তেনদাই চতারানা বোল ৫ দা রন ১ অমদি ব্লেসিং মুজারাবানি বোল ৪ দা রন ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা পাকিষ্টানগী বোল্লর মোহমদ অমিরনা ওভর ৯ দা রন ৩৩, উস্মান খাননা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৬, ফহিম অশ্রাফনা ওভর ৬ দা রন ১৫, হসন অলিনা ওভর ৮.২ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৩২, সাদব খাননা ওভর ১০ দা রন ৪৭, ফখর জমননা ওভর ৩ দা রন ১১ অমদি সোইব মালিকনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৪ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা পাকিষ্টাননা ওভর ৩৬দা ৱিকেট ১ তুরগা রন ১৯৫ লৌদুনা জিম্বাৱেবু ৱিকেট ৯দা মায়থিবা পীখি।

পাকিষ্টানগী রনশিং অদু ইমম অল হাগনা বোল ৫১ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৪, ফখর জমননা বোল ১২৯ দা ফোর ১৬ য়ৈরগা রন ১১৭, ববর অজরনা বোল ৩৬ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৯ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোলিং তৌখিবা জিম্বাৱেগী বোল্লর তেনদাই চতারানা ওভর ৬ দা রন ৩৪, ব্লেসিং মুজাবানিনা ওভর ৭ দা রন ২৮, দোনাল্ড তিরিপানোনা ওভর ৭দা রন ৩৩, লিয়ম নিকোলাস রোচেনা ওভর ৬ তা রন ৩৮, ৱেল্লিংতন মশাকাদজনা ওভর ১০ দা রন ৬১ পীখিবনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com